## নীংশিং ৱারেং

# চীংদা মান্দা

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ**

উখ্রুলদগী ইম্ফাল চৎপা, ইম্ফালদগী উখ্রুল চৎপা অরেম্বা খোঙচৎ খক ওইদে। ফনা যাম্না চৎলে অতনবা পোক্তে, হন্না হন্না উরবা দৃশ্য য়েংনিঙদবা লৈতে। ফনা যাম্না শাখিবা লম্বীনি, অদুবু নুংঙাইবনা হেল্লি। নোংজু পম্বাদা ওল্ড রোদতা চৎলবদি লাইফ ইনস্যোর তৌদবা ফত্তে। অদুগী মথক্তা ঐদি লম্বী স্লিপ তাবা খঙদে, গারী বেরা তৌবা খঙদে হায়দনা নোংমা নীনীগী চানবা পুদনা খক চত্তে। কম্বল অমসু বরাবর পুই। ইতৎ তত্তনা কান্নবা লাকই। হায়হৈদবা য়াই, করিগুম্বা এক্সিদেন্ট থোকখ্রবসু হায়দুনা ঐগী ত্রঙ্ক – বেগনচিংবদা মীং ঠিকানা ফজ ফজনা থাই। ঐগী ফোঙদ্রিবা কবিতা য়াওখি, মদুগীদমক নুংশা থীজৈ। অদুম্নদি ওইরগা চৎপদদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখরে। লম্বীদা লেকপসু য়াওখরে। কোক্তা ত্রঙ্ক পুদুনা চীংগী লম্বীদা মাইল ৭ / ৮ চৎপা য়াওখরে। অদুবু উখ্রুল য়ৌরগদি নোকপা ঙাক্তনি। তাঙ্খুলদি অৱাবা খঙদে, ৱারবসু নোক্তবা লৈতে। তাঙ্খুলগী লম য়ৌরবদি ঐখোয়সু নোক্তবা ঙমদে।

উখ্রুল য়ৌবদা অপীকপা সংসার অমা হৌই। মসিনা পোষ্ট ওফিস, মসিনা কো ওপরেটিভ সোসাইটি, এসদিও গী বাংলো, থানা, অসাম রাইফলস, মৈতৈগী দুকান লোইনা উবা ফংই। সরকারগী য়ুম শঙ পূম্নমক লোইনা খঙই, খঙদবা লৈতে, খঙবদা কান্নদবা লৈতে, লোয়না খঙই লোয়না উই। অঙাংমচা অমদা ডাক্তর চৎলুচো হায়বদা লোয়না খঙই। ডাক্তরসু মশক খঙই। ডাকঘর চৎলুচো, পি দব্লিউ দি গী কেরানী কৈদৌঙে ইম্ফালদা চৎকদগে ফাওবা খঙই। অমগা অমগা লোয়না শক খঙনৈ। উনবদা চাক চারবরা ? কোয়গেরা? নৎত্রগা কাগেরা কুমগেরা হংনদবা য়াদে। তাঙ্খুল লোন্দা হায়রবদি ফাজাইরা? য়াওথুইকিরা? কাকিরা? তাওকিরা? থামুক লৈরগদি ঐখোয়সু খুমই, য়াওথুইকে! কাকে! তাওকে! চাক চাবগা কোয়বগা অনী অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক্নি।

উখ্রুলদদি কদায়দা চৎপনো হংবসু য়াওই, মাওদদি কোয়গেরাদগী হেন্দে। নৌরিঙৈদা নুমৎ তরেৎ নীপান্নিদংদি মী খঙনদবদগী খরা ৱারমই। খরা লৈরগদি অমসু খঙলক অমসু খহলক নুংঙাইরকই। অপীকপা লমনিনা অমগা অমগা মরীসু ইথোক থোক্লে। ৱারী শাবা নুংঙাইরকই। অদু মক্তদা থা তরুক তরেৎ লৈরগা নোংমদি হেদ ক্লার্ক, হায়দুনা ঙাংনৈ, ঐদি হেদ ক্লার্ক খঙদ্রবসু করি তৌগনি হায়দুনা থওইহৌদে। মমৈদদি হেদ ক্লার্ক হায়বা অসি অচৌবা মরুওইবা খঙদবা য়াদবা অমা ওইশিল্লক্লে। হেদ ক্লার্ক খঙদবসি ঐ ইকাইরক্লে, হৌজিক্তা হংগদবসু নুংঙাইত্রে। ঐগী খঙদবা উখোক্তনা ইথন্তা থিজদুনা নোংমদি হেদ ক্লার্ক মশক খঙলে। মশক মতৌ ফজরবা তপ্লবা এসদিও ওফিসকী হেদ ক্লার্ক ওইরম্লে। মহাক্কী মপানা উখ্রুলদা খ্বাইদগী ইহান হান্না খৃষ্টান ওনবনি। হৌজিকসু য়াম্না কল্লি। থবক শুরি। অদুমক্তদা হেদ ক্লার্ক কী মশাগী মীংদি খঙলক্ত্রে। উখ্রুলদা লৈরিঙৈদদি মদু খঙবসু কান্নরমদে।

মী পূম্নমক অমগা অমগা লোইনা খঙনৈ। খঙবদা কান্নদবা অরেম্বা মী লৈতে। উখ্রুলমক চাউরবাইমুং অমনি। য়ুমদা লৈবসু চখোকপসু চাউরবা ইমুং অমগী মনুংদনি। করিগুম্বদা তনবসু লৈ। ইম্ফালদা খঙনদবা পোকপদগী খঙনদ্রিবা মীয়ামগী মরক্তা চৎপগী নুংঙাইবদু নীংশিংলকই। করি করিগুম্বদা মীয়ামদি খৌরাংবসু লাকই, খাঙবা ঙমদে। উখ্রুলনা ঐবু জেলগুম্না ফাদুনা থমই। উখ্রুলগী দোষ নত্তে, মণিপুরনা চাওখত্তবগীনি। লম্বী থোং ফত্তবগীনি। উখ্রুলদা ইম্ফালগদি চুম্না চৎলবদি মাইল ২০ ওইগদ্রা অদুবু চৎপদদি নোংমা চঙই। উখ্রুলদা থবক্কী চত্তবা য়াদদুনা চত্রিঙৈদদি উখ্রুল কদোমদা লৈবগে হায়বা ফাওবা খঙলমদে। উখ্রুলদগী ইম্ফাল চৎপসু চত্তবা য়াদদুনা চৎপা ঙাক্তনি। ঠিকাদার ঙাক্তনি। দুকান্দার ঙাক্তনি।

লম্বী থোং ফরল্লবদি উখ্রুলদি য়াম্না ফজরবা সহর অমা ওইরমগনি। মী মখল মখল লৈরমগনি। লম্বী থোং ফত্তবদগী রিজার্ভ এরিয়াগুম্না পৃথিবী পূম্নমক্তগী তোঙান্না লৈ। অপীকপা সংসার অমা ওইনা লৈ। উখ্রুল দ্বীপ অমনি। মণিপুরমকসু দ্বীপ অমনি। উখ্রুলনা মদুগী মনুংদা লৈবা দ্বীপনি।

মীদি য়াম্না হৈ শিংই। নহারোল অয়াম্বা কারবার তৌই, ঠিকা তৌই নৎত্রগা ওফিসতা অচৌবা ফম পায়গল্লি। ওফিস্তসু কারবারদসু থবক পূম্নমক্তা য়াম্না হৈ শিংই। থৌনা ফনা থবক তৌই। পৈশা য়াম্না তানশিল্লগা ঈংনা নুংঙাইনা পান্নিংই। ষ্টেন্দর্দ ওফ লিভিং পামই। ইম্ফালদগী উখ্রুল য়ৌরকপদা ইঙক ঙকপা মফম অমা লৈরমই – উখ্রুলদগী ইম্ফাল হেক য়ৌরকপদসু ইঙক ঙকপা তম্পাক অমা লৈরমই। উখ্রুলদগী ইম্ফাল য়ৌবগী নুংঙাইবা অদুগুম্না ইম্ফালদগী উখ্রুল হেক য়ৌবদসু উখ্রুল য়ৌবগী নুংঙাই। তাঙ্খুলগী মায়থোঙদা অৱাবা য়াওদে।

উখ্রুলগী দুকান্দা ময়াম তিন্নফম উন্নফম ওই। ইথন্তা লৈবগী হেক হেক ৱারল্লবা মতমদা দুকান চৎলি। দুকান্দা ময়াম ফমদুনা ৱারী শাই। ৱারী লৈত্রবদি দুকান্দা য়োল্লিবা পোৎশিং অদুগী মরমদা শাই। ‘মেদ ইন ইন্দিয়া’ হায়রবদি পোৎ অদু থাজনদে। ‘মেদ ইন য়ু এস এ’ ওইরবদি পোৎ অদু য়াই। কলিকতাদা শাবা মেদ ইন য়ু এসএ ওইরবসু য়াই। উখ্রুলগী দুকান্দা কুইনা ফল্লবদি তিন অয়েবী উরক্কনি। চুম্নগী কেরোসিন তিন্দা খরা য়াম্না চন্নবা ফুদোক্লবদগী অসুম চৎনখিদুনা তিন অসি হৌজিক্তি য়াম্না চাউথোক্লে। থুমোক্কুম্না পোল্লে কোইরপ কোইরে। চুম্নগী তিন অমগা মখায়রোমদি ফজনা চল্লে। খরা থাপ্পা লমদগী চেঙ অলুনচিংবা য়োল্লবদা দুকান্দারশিংনা তিন অসি পুথোকই। মী পূম্নমক খঙনরকপদগী হৌজিক্তি কয়া কান্নদ্রে। নুপী অমনা ঐনা অলু তিন্দা কয়া পী হংবদা খুন্নকই, অয়েবীদা তরুক মখায় য়েদবীদা মঙা। অদুমকপু তিন য়েথোকপদা অহৈবা হৈতবা খরসু লৈরি। তিন্দা পোৎ ওল্লবদি তিন অয়েবী য়েদবী অনী অসিদি খরা লৈখিগদৌরি। ইম্ফাল য়ৌনা চত্তুনা য়েথোকউবা তিন লৈ। মৈতৈগা তাঙ্খুলগা অমত্তনি, সের ফল্লা পামদে, অহৈ অহৈবনা খরা য়াম্না লৌনবা চৎনৈ।

নোংমা নুপী অমনা ঙা খরা পুরকই। মমল য়ানদদুনা চৎখরে। ঐসু হল্লকখিগনি শিকি অমত্তং চিংনবদবু হায়দুনা লৈরমই। হায়রিঙৈদা ঙাইহাক চখোক্লুরগা লৌজরো হায়দুনা পুরকই। খরা ওইজৈ হায়দুনা নুংঙাইনা লৈহৌই। নুপী অদু চৎখ্রগদি খঙলকই ঙা অমা ৱাংলম্মে। নুপা অমদা মখায়দা য়োল্লম্মে। হৈ শিংবতনা লাকচৈ। মীবু পঙই হায়দুনা লৈথোকউবা ঐতনা পঙবা ওইরম্লে। থৌজান হৈবা ঈশ্বরনা মী পূম্নমকপু পঙহন্দে। মহাক্কী থৌজান্দি নুমিৎকী মঙানগুম্না মফম পূম্নমক্তা লোয়না য়ৌই।

চীংদা চৎলগা ইনৌ নৌনা খঙলকই মফম খুদিংমক্তা ওইজবা পামদবা মী লৈতে। ইম্ফালদদি য়াম্না হেন্না উই। মী য়াম্বগীনি থবক য়াম্বগীনি। কারবার তৌবা মফমদা, ঠিকা, সপ্লাই তৌবা মফমদা, কো–ওপরেটিভ লৈবা মফমদা, ওফিস থানা লৈবা মফমদা মী পূম্নমক জাৎ অমত্তনি। খরা শিংবনা খরা পঙববু চাদবা লৈতে। অকনবনা অশোনববু তুহত্তবা লৈতে। চীং তম অমত্তনি।

উখ্রুলদগী খা থাপ্পা লৈরবা মতমদা নীংশিংলকই, তাঙ্খুল নুপী ! হৌনবা খঙবদা মশক মতৌদা অৱাবা খাঙবদা তাঙ্খুল নুপীনি। অতিয়াগী থৱানমিচাক্কুম্না শেংলবী তাঙ্খুল নুপীনি। অৱাবা খাঙবদদি তাঙ্খুল নুপীগুম্বদি অমমুক লৈররোই। নুপীনা লৌ উই, নুপীনা য়োৎপাক্লা য়ান্দুনা লৌ খোই। লৌ খোইবা হুনবা, লৌ লোকপা পূম্নমক নুপীগীনি। ফৌ হুনবা মতমদদি নুপা থোরকপা উই। উখ্রুলদা তাঙ্খুল মচা ছাত্র অমগা ঐগা লৈমিন্নে। য়াম্না হৈ–শিংই। মাগী ময়াম্বসু উখ্রুল হায়স্কুলদা ক্লাস নাইন তন্লি। মখোয়গী ময়াম্বা অহননা জোরহাটতা তন্লি। মখোয় পূম্নমক অদুগী মচন অদুদি লাইরিক তমদে। করিগীনো হংবদা রি’না হায়, ঐখোয় পূম্নমক লাইরিক তম্বা ঙম্লিবসি মহাকসু তম্লবদি করম্না ঙমগনি? মহাক্কা ইমাগনা লৌ উদ্রবদি ঐখোয়দি করি চাগনি? করম্না লাইরিক তমগনি? মহাক্কা ৱা ঙাংনবা ঙমদে। নোংমা ময়াম্বা অহল অদু জোরহাটতগী থুংলৈ। মপা, মচীন মনাও পূম্নমক মচন অদুসু য়াওনা ওকপা লাকই। ময়াম অদু পুনবদা খ্বাইগী মচন অদু কয়াম নুংঙাইরমগনি। মবুং অহল অদুনা তম্লুরিবদি উখ্রুলদসু নত্তে, ইম্ফালদসু নত্তে জোরহাটতনি। লংফৈদগী হল্লকপগী করিসু ৱাত্তে– বেদিং, সউনগী সুটকেশ, য়োৎকী ত্রঙ্ক। ঙাইহাক লাংলগা থুনা য়ুম য়ৌনিংলক্লে। উখ্রুলদগী মাইল মরি চৎকদবনি তপথবা কান্নদে, ৱারী শাবদি লম্বীদসু শাবা য়াই হায়দুনা বেদিং ত্রঙ্ক ময়াম অদু মচন অদুগী মথক্তা মবুংশিং অদুনা মথং মথং লোয়না থাঙ্গৎখরে। মপা মচীন মনাওশিং অদু ৱারী শাদুনা চৎখি। মচন অদুনা খ্বাইদগী মাঙ থাই।

ইথন্তা শোন্দুনা লৈহৌই ঐনা তাঙ্খুল নুপী! ‘তাঙ্খুল নুপী!

---

### কবিরত্নগী মমিং চৎলবা শৈরেং খরা

## মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে

মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা
সনা লৈবাক মণিপুর
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
থবকপায়খরে মৈতৈ লক্ষতরুক
চাক চানবা তোক্তু না
মচাগী মনা হুৎপগী
মাইক খোংবা লেপ্তুনা
কারখানাগী য়াক্লুবা খোঞ্জেন্দা
চীংলাই কিদুনা চেনখরে
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
ওন্থোকপা মৈতৈ ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা !

ফমখিদরে মৈতৈ ওফিসকী কেরানীগী মনাক্তা
চুরুট পান্না লৈখিদরে
কান্নদরে খল্লে কেরাণী
অথুবা ফাইল ফারুবা
মীগী মচাগী স্কোলারসিপকী
ওন্থোকপা মৈতৈ ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা

কোয়চেন চেনবা তোক্লখরে
অয়ুক্তা নুংথিন্দা অহীংদা
ঙরং ঙরং ঙংদরে
মমাঙথোঙদা মনিঙথোঙদা মখাথোঙদা
ওইরোইদৌরে টি টি রোদ
কুনশুবা শতাব্দীগী মনুংদা
মপুক ওল্লক্লে ঠিকাদার
মাঙবা তারে থোং অসে
ঐনা হাপ্লিবা বিলামাটিসিদি
মপুক ওল্লক্লে ইঞ্জিনিয়ার
ওঃ মাঙবা তারে লৈবাক অসি
ঐনা শারিবা য়ুমসিদি
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

মমাগী শেঙ্গাউ লাকখিবগুম
শাউখরে পুলিস ইন্সপেক্টর
মীগী নুপীগী ইজ্জৎ মাঙহনবা
লৈবাকপু সমাজবু উশিত্তবা
মাতদি ফারগে খনখরে
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা !

থবক্কী মৈত্রাং পাইবদা
অমনা অমবু উনদরে
চীংলৈবাক্কী লমদমসে,
কারখানাগী খোঞ্জেনসে
চীংলোন মাপন লানখরে
অঙকপা মৈতৈ ওইখরে
অঙকপা লৈবাক ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

য়েংউ মৈতৈ ডাক্তর অসে
নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙসে
মৈচাক খাঙবা ঙমদ্রবা
শোল্লবা অনাবা অসিদা
লাউবা খোংবা তোক্তু না
নৌদুনা থেমদুনা হংলিবসে
পতালগী ডাক্তরনি হায়রিবরা
ঐখোয়গী হোস্পিটালগী ডাক্তরসিবু
ওন্থোকপা মৈতৈ ওইরবনি
ওন্থোকপা লৈবাক ওইরবনি
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

চংঙু চংঙুবা মফমদা
মৈতৈ পুমহোং হোংলম্লে
পুমশিন শিল্লম্লে কো–ওপরেটিভ
লৈরমদরে অমত্সু হান্নগী মী শিংদো
মশক মশা খঙদবা
অনৌবা ঙাক্তা ওইরম্লে
লোন শিংবা ঙমদবা
অমাঙবা কো–ওপরেটিভ লৈখিদরে
ওন্থোকপা মৈতৈ ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

মপুক হোংখরে খ্বাইরম্বন্দ দুকান্দার য়ারক্তরে
খঙলে মৈতৈ লিংজেন মান্নখরে য়াররোই
ফিক্সদ প্রাইস তোক্লসি
অচুম্বা মমল লৌরসি খন্নখরে
তো কিতনা অচ্ছা হুৱা হায়
কৈথেল কারুবা পূমনমক
হরাও হরাও হন্নরে
অঙকপা লৈবাক ওইখরে
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

ওঝানা লাইরিক তম্বীরে
ছাত্রনা নোট তৌদরে
ওঝানা মকোক কায়দরে
পরীক্ষা পরীক্ষা খুদিংদা
অহন্না অঙাং কিদরে
লম্বী চৎপা হঙ্গোইদরে
অনৌবা মৈতৈ ওইখরে
ওন্থোকপা লৈবাক ওইখরে
মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা!

### তিল্লাইখোম্বী

তিল্লাইখোম্বী মচা ইমা তিল্লাইখোম্বী মচা
নুংশিদরা য়েংউ ইমা তিল্লাইখোম্বী মচা !
হাৎতোকউ হাৎতোকউ ইমাগী ইবুংঙো হাৎতোকউ
ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা হাৎতোকউ!

### হূরানবা মচা

হূরানবা মচা অমখক
হূরানবা তরুক্লা ফারকই
হূরানবা য়াঙ্খেতরুক্লা নেৎলগা
হূরানবা হুমফুতরুক্লা শেৎপদা
হুরানবা মচা অদু মথ্বায় থায়।

### কৈশাম্পাৎ

নোংমৈ পায়বা সি আর পি শঙ্গু উবদা
অয়ুক ৱার্কিং চৎলম্বা নুপা অমখক
খঙদে গোবিন্দ খুরুম্বা চৎলুবরা
অহীং য়ারেকপা চৎলুবরা মৱা মরুম্বী হায়বদুরা
মঙক থেকই য়াংলেন থেকই মখুৎ হাই
হকচাং শাজেন্নি হায়বা খঙনবা তৌই
য়েক্লবা নত্তে হায়নিংই
দুষমন নহি ভায় দুষমন নহি হায়নিংই।
ঐসু ঐগী শাজৎ মতমদুদবু কনানা চিংনগনি
ৱার্কিং চৎচবনি কন্না হাইদুনা চৎচবনি।

---

## তাবুনুংদগী

*(কবি রত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্র কবি অমদি অইবা ওইবতা নত্তনা নুংঙাই নুংঙাইরবা লাই অমদি কার্টুন কয়া য়েক্লম্মী। ঙসিগী ওইনা কবি অসিনা য়েক্লম্বা লাই খরা তাবুনুংদগী লৌখত্তুনা হাপচরি)*



## লাইরিক্কী উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ চেকখায়রবা জেলগী চেকপল**
**অইবা ঃ লাইরেনলাকপম সরত**
**ফোঙবাঃ এসোসিয়েসন ফোরস সাইন্স এন্দ সোসাইটি**
**মমল ঃ লুপা ১৫০ /–**

লাইরেলাকপম সরতনা ইবা “চেকখায়রবা জেলগী চেকপল” হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি লমায় ১০২ পাল্লি, লাইরিক কপি অমগী মমলনা লুপা ১৫০ পীরি। খৃঃ কুম ২০১৬ তা মণিপুর এসোসিয়েসন ফোর সাইন্স এন্দ সোসাইটি, ইম্ফালনা অহানবা ওইনা ফোঙবা লাইরিক অসিদা বঙ্গলা অমদি মীতৈ ময়েক্কী ভর্জন অনিমক পূন্না য়াওই। ৱারীমচা ১১ য়াওবা, লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিংদি মমিং ওইনা পল্লবদা ‘নোংহৌ অমদা’, ‘হেল্লোইনা চেনবা’, চেকখায়রবা জেলগী চেকপল’, ‘সি খক্তরা ’, লৈরাং অমগী লৈনম’, ‘মান্নবা’, ‘থৱায়লাকপী’, ‘খোঙলি’, ‘নোংলৈ অমনা লাকপদা’, ‘লাংবনগী উচিখোই’, ‘বিচার’ অমদি ‘থোইবীগী খোঙচৎ’ হায়রিবশিংসিনি।

মহাক্কী ৱারীমচাশিং অসি লোয়নমক লমায় মরি মঙাদগী হেন্দবা, অতেনবা ৱারীমচাশিং ঙাক্তনি। অইবা অসি মতম শাংনা কলেজগী ওজা অমা ওইনা, ছাত্রশিংদা মণিপুর সাহিত্যবু তম্বীদুনা লাকখ্রবনি। মহাক্কী ৱারীমচাশিং অসি পারকপদা অইবসিনা মণিপুরী সমাজগী সোসিয়েল সিষ্টেমদা অওনবা পুরকপা পাম্বগী মীৎয়েং তত্তনা উবা ফংই। সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়রিং অসিগী মনুংদা থোক্লিবা অশোয়বা থৌদোক কয়াবু নৌহৌননা মোনিটর তৌদুনা শেমদোক শাদোকপা, অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা সমাজগী পুন্সি ইচেল অমা শেমগৎতুনা থোং মান্নবা সমাজ অমদি চিন্ন–চান্নবা সমাজ অমবু ইখৌ লাংজবগী মচাক উবা ফংই। সমাজ অসিমক্তি খুৎ কনবা, থম্মোয় শেংদবা মীই খুৎপু অমনা, মখোয়না পাম্বা মওংদা চিংদুনা পুরিবা অদুবু য়ানিংদবা অইবনা মহাক্কী ৱারীমচাশিংদা হেক হেক উৎলি। মায়কৈ অমরোমদনা ময়াই মতাই ওইবা মওংদা মণিপুরগী ময়োনগী লম ওইরিবা তম্পাক্কী লমদম মচেৎ খরা অসিদং শেমগৎ শাগৎপগী মশক উবা ফংলবসু সহর অসিদগী খজিক্তং হাইদোকখিবদা লৈরিবা চীংগী লমদদি সরকার অমা লৈরি হায়বগী শেমগৎ শাগৎপগী মমি অমত্তা উবা ফংদ্রি। চীংগী লমদম অসিদা লৈরিবা চীংমীশিংগী মীওইবগী সভত্যগী মনম ফাওবা ফংদনা অতোনবা শা ঙাশিংগী পুন্সি মরেলদা হিংলি। মখোয়দা অনা–লায়েং, মহৈ–মশিং তম্ফম, মৈ ঈশিংগী খুদোংচাবা করিসু ফংহনদ্রি। মখোয়গী হিংবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মহৌশাগী মফমদা চংজদুনা মহৌশাদগী ফংবা পোৎলমশিং শিজিন্নদুনা ইচম চম্না হিংবা মহৌশাগী মচাশিংগুম্না অবিগী পুক্লিংদা ফাওহল্লি।

লাইরেনলাকপম সরতনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি পারকপদা হীরমগী ওইনা য়েংবদা থোইদোক্লুপ্ঞ নৈননিঙাই ওইবা মচাকশিং মরাং কায়না য়াওরি। অদুবু ৱারীমচা অমগী য়াওফম থোকপা কয়াৎ শুনা য়াওদবগুম্না ফাওহল্লি। মহাক্কী ৱারীমচা অসিদা চুম্না পাউ খরা তাবা, ৱারী খরা লীবা, চরিত্র খরা শাগত্তুনা অচম্বা পাউদম অমতমক পীনবা হোৎনৈ। মহাক্কী অসি মহাক্কী সমাজগী পুন্সিদা উরুবা থেঙনরুবা মপুক্লিংদা খল্লকপা খরদু ইচম চম্বা মওংদা পাউদম্নবা হোৎনবনি । ৱারীমচাগী কলাগী ওইবা অপাবশিংদা একতা সিষ্টসি পীবদি ঙমদে।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***মে ২৯,২০১৬, নোংমাইজিং***

এ আই আর রাইটর্স ফোরম ইম্ফালনা শীন্দুনা দিরেক্টরেত ওফ আর্ট অন্দ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেম্বং মখাদা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়ম অমা “খুনুং অমদি খুল্লং ঈশৈ” হায়বা হীরমসিদা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদগী হৌরগা লময়ানবা শঙলেন, কোনুং মমাঙ, ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

থৌরমসিদা এস বীদেশ্বর শর্ম্মা, হান্নগী সেক্রেটরী, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমী, ইম্ফালনা অথোইবা লেঙবীরকপা, এ চিটেশ্বর শর্ম্ম, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দিনা থৌরম মপু ওইনা ফমফল্লাংদা লেঙশিনবীখি। লোয়ননা ডা. এস শান্তিবালা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, নম্বোল শানোই কলেজ অমদি ডা. শরতচন্দ্র লোঙজোম্বা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার দিএম কলেজ ওফ আর্টসনা মথংশিংনা মথক্কী হীরমসিদা চে পাথোকখি। থৌরমসিদা ২০১৩ গী জগোয়দা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী মনা ফংলবা রঞ্জিৎ অধিকারী, প্রিন্সিপাল, দান্স কলেজ, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরবুসু তরাম্না ওক্লদুনা অচম্বা খুদোলপোৎ তমখি।

***মে ২৯, ২০১৬, নোংমাইজিং***

সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর, ককচিংনা শীন্দুনা লাইরিক ফোঙবা লোয়ননা শৈরেং অমদি ৱারীমচা পাথোক্লবগী থৌরম অমা ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা প্রোফেসার আই এস কাংজম, প্রসিদেন্ট, ক্রিটিক ফোরম মণিপুরনা অথোইবা লেঙবীরকপা, য়াম্বেম সত্য, ভাইস প্রসিদেন্ট, সাহিত্য সেবা সমিতি, মণিপুর, ককচিংনা থৌরম মপু ওইনা ফমফম্লাংদা লেঙশিনখি। ফোঙখিবা লাইরিকশিংদুদি সমিতি অসিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম ধনঞ্জয়না ইবা “মিংশেল” হায়না মিংথোনবা নোভেল অমদি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল “লোৎলুবা চিঠি” গী অনীশুবা খুৎনম্নি।

থৌরমসিদা লাইরিক্কী মরমদা সলাম তোম্বনা ৱা ঙাংখি। মথংদা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা ৱাতেম্বা ওইনা ফমফল্লাংদা লেঙশিন্দুনা অইবা অইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা ৱারীমচা পাবা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

***মে ৩১, ২০১৬, লৈবাকপোকপা***

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল ৱাংজিং মশানা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা অইবশিংনা ইবা লাইরিকশিং মথং মথং ফোঙবগী থৌরম অমা ৱাংজিং ৱিইমেন এন্দ গার্লস সোসাইটিগী হোলদা এম রাজেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

ফোঙখিবা লাইরিকশিংদুদি শরত সলামনা ইবা “অদুঙৈগী মশান্নশিং”, বসন্তরাজনা য়েকপা লাইয়েক্কা লোয়ননা, অনীশুবদা অইবসিমক্কী “ইমাগী নতম্পাক” হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা অদুগা জে ষ্টেলিনগী দাইলেষ্টিকেল এন্দ হিষ্টরিকেল মেটরিএলিজমগী মণিপুরীদা সনসম ভোরোটনা ট্রান্সলেট তৌবা লাইরিকশিং অসিনি।

লাইরিক্কী মরমদা শগোলশেম ইন্দ্রকুমার অমদি ডাঃ মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্তনা মথংশিংনা ৱা ঙাংখি।

**রাজেন খুমুকচম**